# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




খা নাওরেম লৈকায়দা লৈবা ইবোতোম্বী ইন্সটিটুট ওফ এদ্যুকেশনগী ফেব্রুৱারী ২৭তগী চথরকখিবা এন্যুএল কোলেজ ৱীকগী লোইশিন থৌরম পাঙথোক্লুনা মহৈরোয়শিংদা শকখঙচে অমসুং মনা লান্থোকখিবা


লৌশিং পূক্কে : দাইবেটিসকা মরী লৈননা ঐখোয়না ... লামায় ২
লামায় ৪ মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা হৌরকপদা থুগাইরক্লু!
শামুদি অশেংবা লৈঙাক্লোই লুচিংবা খনবা ঙম্মী হায় ... লামায় ৫
লামায় ৬ মীয়াম্বু বলিগী হামেং ওইহনবীরম্বা তুং এক্স-সী এমদা...
বি জে পিনা ঈ সীগী মতেং লৌদুনা বেঙ্গলগী ভোটর... লামায় ৯
লামায় ১২ ক্রাওনা ট্রাও ক্বাকৈথেল অদুগা মোদেল শীংজমৈনা...


রামকৃষ্ণ মিশন (দেওঘর) গী এন্ট্রান্স টেষ্টতা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংবু য়ঙ লার্নরস ট্যুটরিএল হোমদা তরাম্না ওক্লদুনা পূক্রিং থৌগৎপগা লোয়ননা মখা তানা মহৈগী লম্‌দা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং ওইরক্লবা পাউজেল পীখিবা




Vol. 48, Issue No. 327 | লৈবাকপোকপা, লমতাগী ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, March 04, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


রাজ ভবন

## মার্চ ৮দগী মণিপুরগী লম্বী পূম্নমক্তা মীয়াম চৎথোক-চৎশিন তৌহন্নবা থৌরাংগী মীফম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা থা অসিগী ১দা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চ্যের লৌদুনা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌরদুনা থা অসিগী ৮দগী মহৌশাগুম্না নেশনল হায়ৱেশিং য়াওনা মণিপুরগী লম্বী পূম্নমক্তা মীয়ামবু চৎথোক-চৎশিন তৌহনগদবনি হায়দুনা পীরকখিবা অহকপা পাউতাক থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক হয়েং রাজ ভবনদা পাঙথোক্কদবা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি মীফমগীদমক শেম শাবা পূম্নমক লোইখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা হয়েংগী মীফম অসি নুমিৎযুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তারকপদগী রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ষ্টাফ লৌবদা এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী খূৎথাংদা লৌদ্রবসু য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা



হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, মার্চ০৩ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিদা চহী ৭৫ হেন্না চৎনরক্লিবা কন্সটিট্যুশননা পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈবগুম্না ষ্টেট অসিগীসু 'টেম্পল ওফ দেমোক্রেসি' হায়দুনা ফাওবা শীংথানরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা মথৌ তাবগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা মতমশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবশিং কৈ লৈবা মফমদা নুমিৎ তাবগুম থোক্লব্রা

## কামখ্যা পেমতোন কোলেজ অমদি মেকোলা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী মনুংদগী মীওই ৭৯গী মিং ককথৎলকপদা ৱাথোক ওইরে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা থোরকখিবা মীহাৎ-মীপূন য়াওবা লানগী তমথীরবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরকখিবা মীওই লিশীং ৬০ হেনবগী মনুংদগী মীওই খরগী মমিংশিং মানা-মানা লৈরক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংগী লিষ্টতগী ককথৎপা হৌরকপদা থৱায় হিংনবগীদমক চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিং পেন্দবনা পীক থল্লে।

থৌদোকশিং অসিগী মনুংদা অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংথাংদা লৈবা কামখ্যা পেমতোন কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা মীওইশিংগী লিষ্টতগী মীওই ৪৯ অমদি মেকোলাদা হাংবা রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিংগী লিষ্টতগী মীওই ৩০ হেনবগী মমিংশিং ককথৎলকপদা খোইশাওনরবা লাঞ্জেন্নরক্লিবশিংনা ঙসি নুমিৎযুংবা অদুৱাইদা মরী লৈনরিবা হিয়াংথাংগী সব দেপ্যুটি কলেক্টর (এস

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লাননা লাঞ্জেন্নহল্লক্লবশিংগী লাইবক




রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবীশিংনা এস দি সী, হিয়াংথাংগী ওফিসতা থোমজিল্লকপা

দি সী) ওফিসতা থোমজিল্লক্তুনা পেন্দবা খোল্লাও কয়া লাউখ্রে।

রিলিফ কেম্পশিং অসিদা চঙজফম লৌরকখিবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা কামখ্যা পেমতোন কোলেজগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ক্লাস টেনগী মতুংদা ক্লাস ত্বেলভকীসু ক্বেশন লিক ওইখ্রে

### কোসেমনা চেন্নবশিং থিদোক্তুনা অকনবা এক্সন লৌবীয়ু : সুক

**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ১৭তগী হৌদুনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা চথরক্লিবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেশনগী ঙসি ফিজিক্স থোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### দেসামসি অনৌবা শক্লোন অমা ওইনা উরকপা য়াই : এন থোইথোইবা

**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস):** কোসেমনা লৌদুনা চথরক্লিবা ক্লাস ত্বেলভ এগজামিনেশনগী ঙসি ফিজিক্স থোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩৮ লোম তারকপদা ৱাটসএপ গ্রুপ অমদা সবজেক্ট অসিগী ক্বেশন স্যের ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### সাইবর ক্রাইম পুলিসতা রিপোর্ট তৌখ্রে, ইনক্বারি কম্মিটি শেম্লগনি : কোসেম

**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) :** কোসেমনা লৌদুনা চথরক্লিবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামগী ঙসি ফিজিক্স থোকপা নুমিৎতা সবজেক্ট অসিগী ক্বেশন ৱাটসএপ গ্রুপশিংদা থারম্বা থেংনরে হায়বগী মতাংদা ...মখা লমায় ৮ কলম ৪



সুক



দেসাম



কোসেম

## মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী চ্যেরপর্সন হাপ্তবগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন (এম ঐচ আর সী) গী হাপফম থোকপা চ্যেরপর্সন অমদি মথৌ তাবা মেম্বরশিং মতম চানা হাপ্তবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না হেক-হেক হাপ্পগী চৎনবী লৈরকপগী মখা তারকপদা কম্মিশন অসিগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বদগী ওগষ্ট ২৪, ২০২৪দা পোত্থাখ্রবা য়ু বি শাহগী মতুংদগী ঙসি ফাওবদা কম্মিশনগী হাপফম থোকপা চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বর (জুদিশল) লৈঙাক্লা হাপ্তবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকখ্রে।

ৱাকৎ অসি ওক্রম ন্যুটনকুমারনা পিটিস্নর ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## থবক্তগী পোত্থারবশিংবু 'রি-এনগেজমেন্ট' তৌবীগনু হায়না মণিপুর এক্স-এম এল এ ৱেলফ্যের এসোসিএশননা গভর্ণরদা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা থবক তৌরম্বা তোঙান তোঙানবা ৱেঙ্ক এন্দ ফাইলগী ওফিশলশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মখোয়গী মরক্তগী খরবু রি-এনগেজমেন্ট তৌবগী চৎনবী অমা লৈরক্লিবসি মপূং ফানা মূত্থৎপীয়ু হায়না এসেমব্লি সেক্রেটেরিএটতা ওফিস ওইরিবা মণিপুর এক্স-এম এল এ ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং, এক্স-এম এল এনা অইবা চেরোল অমা গভর্ণরদা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### মমাঙ চহীদা কুকি টেররিষ্টশিংনা হায়জেক্ট তৌখিবা ৱাটর টেঙ্কর ফংলে




**ইম্ফাল, মার্চ০৩ (ঐচএনএস) :**

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী বোর্দর টাউন মোরেদা দিপ্লোই তৌবা ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেলশিংনা শীজিন্নবা ঈশিং থিনবা লাকখিবা ৱাটর টেঙ্কর (দি আই টাটা) অমা মমাঙ চহীদা কুকি টেররিষ্টশিংনা হায়জেক্ট তৌদুনা পুখ্রবা মতুংদা টেঙ্কর অসিগী দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন ওইবা মীতৈ-পাঙল অনীবুনা তমথীবা মওংদা ফূরগা থাদোরকখ্রবা মতুং ৱাটর টেঙ্কর অদু ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মোরেগী হাওলেনফাই এরিয়াগী মফম অমদগী রিকোভর তৌবা ঙম্লে হায়রি।

ৱাটর টেঙ্কর অদুগী বোদিদা নোংমৈ মৰূ কয়ামৰুমগী পানফমশিং লৈরমখি হায়রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিংদি ফাগৎপা ঙমখিদ্রি।

### খাঙবোক লম্লোং কৈথেলদা সমাটা পার্টিগী ওফিস হাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ০৩ (ঐচএনএস) :**

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক লম্লোং কৈথেলদা সমাটা পার্টি মণিপুর ষ্টেটকী ওফিস অমা ঙসি শঙ্গাদুনা হাংদোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অসিদা সমাটা পার্টি মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট আশ্রব আলি অমসুং মোইরাংথেম রাজেনকুমার য়াওনা পার্টি অসিগী নেশনল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা থৌপুরিবা মীওইশিংনা অখন্নবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## কার মৈ চাকপদা লৈখিদবা থোকচোম রোবেনগী মীশি এক্সিদেন্ট মান্দে, মর্দর মাল্লি : জে এ সী




**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১গী নুমিদাংদা মশামক্লা থৌরিবা কার মৈ চাক্লকপদা মশাসু মৈনা চাক্তুনা লৈখিদ্রবা ইরোইশেম্বা মনীং লৈকায়দগী থোকচোম রোবেন (৪৮) গী মীশি অসি অন-নেচরেল ওইবা অমসুং চীংননীংঙাই ওইবা মীশিনি হায়দুনা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা ঙসি মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপীয়ু হায়দুনা ইরোইশেম্বা মনীং লৈকায়দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙজংগা মরী লৈননা জে এ সী এগেনষ্ট দি অন নেচরেল দেথ ওফ থোকচোম রোবেনগী কনভিনর ইরোম ফুলেন্দ্রোনা হায়, ...মখা লমায় ৮ কলম ৭

## ঙরাংসু নোংমৈ ৩৩ সরেন্দর তৌরকখি

**ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ২০দা গভর্ণর এ কে ভল্লানা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লুট তৌখিবা অমসুং ইল্লিগেল ওইবা খূৎশু খূৎলায়শিং সরেন্দর তৌরক্লবা খঙহনবদগী তোঙান তোঙানবা খূৎশু খূৎলায়শিং অমদি অতৈ পোৎলমশিং পীখৎনরকখ্রবা মতুং সরেন্দর তৌরকপগী মতম থা অসিগী ৬কী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা শাংদোকহনখিবগা লোয়ননা ঙসি তোঙান তোঙানবা খূৎশু খূৎলায় ৩৩ সরেন্দর তৌনরকখ্রে হায়রি।



মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোলনা হায়বদা চুড়াচান্দপুর, খাঙবোক্তা লৈবা ৩শুবা আই আর বি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, হৈঙাং, য়াইঙংপোকপী, পোরোম্পাৎ, লম্ফেল অমসুং নম্বোল পুলিস ষ্টেশনশিংদা খূৎশু খূৎলায়শিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংসু সরেন্দর তৌনরকখি হায়রি।

অহুমশুবা আই আর বি (খাঙবোক) তা সরেন্দর তৌরকখিবশিংগী মনুংদা ৯ এম এম পিষ্টোল ১, নোংমৈ অসিগী কন্ট্রিমেদ পিষ্টোল ১, পোইন্ট ৩২গী লোকল মেদ পিষ্টোল ১, ইন্সাস এল এম জি অমসুং ইন্সাস রাইফলসকী মেগজিন ১/১, দবল বেরেল ১, লোকল মেদ সিঙ্গল বেরেল ১, বট্ট য়াওদবা দবল বেরেল ১, হেন্দ গ্রেনেদ ৩, ট্যুব লঞ্চর ১, ইষ্টন গ্রেনেদ ২, এয়র স্মোক গ্রেনেদ ৩, ৱায়রলেস সেট ৫, বুল্লেট প্রুফ জেকেট ৬, হেলমেট ৭নচিংবা য়াওই হায়রি।




HL-B/9358/25,26,1,4,7 march